# অসামদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৩,৪১৫ থেংনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ১৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অসাম ষ্টেটতা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩,৪১৫ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩৪ শিহনখ্রে হায়না ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কলেক্ট তৌখিবা অপূনবা সেম্পল ১,৩২,৯২৯ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৩,৪১৫ থেংনখিবনি। মসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থরক্লি। রিজল্ট অসিগী মতুং ইন্না অসামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ২.৫৭ দা হন্থখ্রে।

ঙসি থেংনখিবা অনৌবা কেসশিং অদুগী মনুংদা ২০৪ দি কামরুপ মেট্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি। অসামদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯০.৩১ ওইরি।

কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা খরা মখৈ হন্থরক্লবসু মখা তানা ষ্টেট অদুদা লাক্লিবা জুন ২২ ফাওবা কর্ফিয়ুগী মতম শাংদোকখ্রে। গুৱাহাটিগী ওইনদি নুংথিল পুং২ দগী হৌরগা অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু লৈগনি। গুৱাটিদা লৈবা দুকানশিং, কম্মরসিয়েল ইষ্টাব্লিসমেন, রেষ্টুরেন্ট, ধাবা, গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট ওফিসশিং নুংথিল পুং ১ তাখিবগা থোঙ লোনগদবনি হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ফোঙদোকখিবদা ৱারবসু ৱানা মতম খরা মীয়াম্না লৈঙাক্কী থৌশিলদা মতেং পাংদুনা লায়না লাইচৎ অসিবু মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনসি। মরম অদুনা কর্ফিয়ুগী মতমদা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোক্তনবা আপীল তৌরক্লি।



কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরিবা থোংজু কেন্দ্রগী মফম অনীদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্তরদা কেন্দ্র অসিগী গ্রাম পঞ্চায়ট তরেৎকী প্রধানশিংনা চানা থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙবা

# এন এস সী এনগী তোঙান তোঙানবা ফেক্সনশিংগী কাদর ২ ফারে

দিমাপুর, জুন ১৫ (এজেন্সী):

নাগালেন্দদা দিপ্লোয় তৌরিবা অসাম রাইফলসকী ত্রুপশিংনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা নেসনেল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) গী তোঙান তোঙানবা ফেক্সন অনীগী কাদর অনী ফাখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অসাম রাইফলস অমসুং নাগালেন্দ পুলিসকা পুন্না চথখিবা ওপরেসন অমদা এন এস সী এন (নিকি সুমি গ্রুপ) কী এক্তিভ কাদর অমা ফাখি। অসাম রাইফলসকী মতুং ইন্না এন এস সী এন (নিকি সুমি গ্রুপ) কী কাদর অসি ত্রক দ্রাইভর অমা কিদনেপ তৌবদা চেন্নে। অসাম রাইফলস অমসুং নাগালেন্দ পুলিসকী অপূনবা টিম্না ত্রক দ্রাইভর অদু মায় পাক্না রেস্ক্যু তৌখি।

এন এস সী এনগী ফেক্সন অমনা ফাখিবা ত্রক দ্রাইভর অদু নাগালেন্দগী দিমাপুরদা লৈবা খেহোখু ভিলেজদগী রেস্ক্যু তৌখি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা ওপরেসন অমদা অসাম রাইফলসকী ত্রুপশিংনা এন এস সী এন (কে এন) গী কাদর অমা অমসুং মঙোন্দগী ব্রাউন্দ সুগর বোক্স ১০ সু রিকোভর তৌখি। এন এস সী এন (কে এন) গী কাদর অসিদগী ফারিবা ব্রাউন্দ সুগর অদু মার্কেটতা লুপা ৩৫,০০০ রোম ওইবা য়াই। হীরম অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা ত্বিটরগী খুথাংদা ফোঙদোরকখিবদা ওপরেসন অদু নাগালেন্দ পুলিসকা পুন্না চথখিবনি। জোইন্ট ওপরেসন অদু দিমাপুরগী বর্ম্মা কেম্পকী অকোয়বদা পাঙথোকখি।



অমরোমদা দিমাপুরগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার রাজেস সোনদারাজননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোকদাউননা শোকহল্লবা শুরগা চাবা মীওইশিং অমসুং লেবররশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী রিলিফ পেকেজ য়েন্থোকখ্রে। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুমথোং ৭,০০০ না থৌরাং অসিগী বেনিফিসরিশিং ওইরি। রিলিফ আইটেমশিং য়েন্থোকপদা মুস্লিম কাউন্সিল অমসুং রেদ কোষ্টনচিংবগী ভোলুটিয়রশিংনা মতেং পাংখ্রে।

# ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা ৱান্টেদ ক্রিমিনেল অমা দরং পুলিসনা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোলগা কোন্ননা ফারে

খরুপেটিয়া, জুন ১৫ (এজেন্সী):

ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা 'মোষ্ট ৱান্টেদ' ক্রিমিনেল অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দরং পুলিসনা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমগা কোন্ননা ফাখ্রে। অকবর অলি কৌবা ক্রিমিনেল অদু মরু ওইনা লোনা য়াদবা মওংদা নোংমৈনা চিংবা খূৎলাইশিং পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নে।

দরংগী নম্বর ২ দনসিক্রাস ভিলেজদা লৈবা ক্রিমিনেল অবকবর অলি পিষ্টোলগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিস সোর্ছশিংনা ফোঙদোরক্লি। মখোয়না মখা তানা ফোঙদোরকপদা ক্রিমিনেল অসি মখোয়না মতম শাংনা কোইথি থিরকখি। কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অসিদা নত্তনা অহেনবা খূৎলাই কয়াসু ক্রিমিনেল অসিদগী ফংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ধুলা পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরি। দরং পুলিসনা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লোনা য়াদবা মওংদা দ্রগ লল্লোনবা অমসুং অতৈ লোনা য়াদবা থবক কয়াগী মায়োক্তা ফাবা পুনবগী কেম্পেইন লেপ্তুনা চথদুনা লাক্লি।

হৌখিবা জুন ১১ দা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মোইনুল অলি কৌবা দ্রগ লল্লোনবা অমা ফাখি। মহাক কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী ফাজোদা লৈবনি। মীওই অসি হৌখিবা জুন ৯ দা গাড়ী অমদা দ্রগ পেকেটশিং হুন্দোক্লল্লগা চেনখিবনি। জুন ১০ দা দরং দিষ্ট্রিক্ট খারুপেটিয়া পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস টিম অমনা ফেক করেন্সি নোটশিং শাবদা চেন্নবা গেং কাঙবু অমগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখত্তুনা মীওই কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

# অঙাং ৪ নান্থোকখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ১৫ (এজেন্সী):

অসামগী জোরহাট দিষ্ট্রিক্টকী চোরাধারা এরিয়াদা লৈবা অঙাংশিংগী রেস্ক্যু হোম অমদগী অঙাং ৪ চেন্থোকখিবদগী ষ্টেট অসিগী পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈখ্রে। চিলদ্রেন হোম অদু নগাউনদা লৈবা এন জি ও সঙ্কর মাধব কৃষ্টি বিকাস কেন্দ্রনা চলাইবনি। ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর পদমাধর কালিতানা ফোঙদোরকপদা হোমদগী চেন্থোকখিবা অঙাংশিং অদু নুপামচা ঙাক্তনি। মখোয় হৌখিবা নোংমাইজিংদা মল্লবা হোমগী থোঙনাওগী দ্রিল লৌথোক্লগা চেনখিবনি। অঙাং অনীনা চহী ১০ অমসুং অনীনা চহী ১২ অমসুং ১৩ শুরে হায়রি।

# মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংগীদমক অহেনবা শেনফমশিং লৈঙাক্না কায়থোক্তুনা থক্লে: সী এম

আইজোল, জুন ১৫ (এজেন্সী):

ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সকী অহেনবা থৌওংশিং খাঙবা ঙমদবদগী মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিংদা তেংবাং পীনবগীদমক মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা অহেনবা শেনফমশিং কায়থোক্তুনা থক্লে হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাংঙানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।


সেন্ত্রেল য়ং মিজো এসোসিয়েসনগী লুচিংবশিংগা পাঙথোকখিবা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমদা চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাংঙানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈঙাকনা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিংগীদমক কায়থোক্তুনা থমখ্রবা শেনফমশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্লগনি।



মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মিজোরামদা চংজরক্লিবা ম্যান্মার নেস্নেল খুদিংমক তরাম্না ওক্কনি। অমদি মহাক্কী লৈঙাক্না মখোয়দা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। ফেব্রুৱারী থাদগী হৌরগা মিলিটরিনা চথরকখিবা মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী মিজোরাম য়োওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা ম্যান্মার নেস্নেলশিং চেনশিল্লক্তুনা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মিজোরামগী মায়কৈদগী সেন্তরদা অৱাবা তারবা মীওইশিং অসিগী মতেং পাংনবা কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু সেন্তরগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। সেন্তরনা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং অসিবু মতেং পাংদ্রবসু মহাক্কী লৈঙাক্না অঙম্বা মতেং পাংগনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা মার্চ থাদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা অইবা চে পীদুনা খঙহনবা লৈখ্রে। লোয়ননা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মরু ওইনা মিজোরাম, মণিপুর, নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা ম্যান্মার সিটিজেনশিং চঙলকপদা সেন্তরনা অথিংবা থম্নবা খঙহল্লকখিবা ৱাফম অদুনা রিভ্যু তৌনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপগী মতম নৎত্রে। মিজোরামদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ম্যান্মার নেস্নেল ৯,২৪৭ চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা পুলিস ওফিসর খরসু য়াওনা মখোয়গীদমক সেন্তরনা মতেং পীনবা অমুক্কা হেন্না মহাক্কী মায়কৈদগী তকশিল্লগনি হায়রি।

## CROSSWORD-3811



**ACROSS**

1 Defamation (7)
5 Sea-birds (5)
8 Small light boat (5)
9 Scapegoat (4,3)
10 Everlasting (7)
11 Cavalry sword (5)
12 Main meal (6)
14 Evaluate (6)
18 Leader (5)
20 Gross mistake (7)
22 Desecrate (7)
23 Capital of Japan (5)
24 Bring up (5)
25 Treachery (7)

**DOWN**

1 Hang (7)
2 Sprightly (5)
3 Protection (7)
4 Lottery with goods as prizes (6)
5 Fierce winds (5)
6 Able to be read (7)
7 Fashion (5)
13 Capital of Kenya (7)
15 Move to and fro (7)
16 Cut of beef (7)
17 Most proficient (6)
18 Frolic (5)
19 Distress signal (5)
21 Noblemen (5)

**Solution 3810**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3610**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 1 | | |
| 7 | | 9 | | 4 | | | | |
| | 6 | | | 3 | 2 | | 8 | |
| | 2 | | 6 | 1 | | 5 | | |
| | 5 | | | | | | | 7 |
| | | 4 | | | 9 | | | |
| | | 3 | | | | 2 | | |
| | 1 | 6 | | | | 9 | | 5 |
| 4 | | 5 | | | | | | |

**Solution-3609**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 3 | 9 | 4 | 1 | 5 | 7 | 8 |
| 7 | 8 | 1 | 6 | 5 | 2 | 4 | 9 | 3 |
| 9 | 4 | 5 | 8 | 7 | 3 | 1 | 6 | 2 |
| 3 | 9 | 2 | 1 | 6 | 4 | 7 | 8 | 5 |
| 5 | 6 | 8 | 2 | 9 | 7 | 3 | 4 | 1 |
| 1 | 7 | 4 | 3 | 8 | 5 | 6 | 2 | 9 |
| 4 | 3 | 7 | 5 | 2 | 8 | 9 | 1 | 6 |
| 2 | 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 8 | 3 | 4 |
| 8 | 1 | 6 | 4 | 3 | 9 | 2 | 5 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

DRDO DL Jodhpur Recruitment 2021: Defence Laboratory Jodhpur (DLJ) invites applications from eligible candidates for recruitment of Apprentices for 01 year training in various trades for the year 2021-22 under Apprentices Act, 1961, as amended in 1961, 1973 and 2014. Apply within 15 days from the date of advertisement in Employment News paper dated 5th June 2021.
ADVERTISEMENT NO. DLJ/HRD/RECTT/APPRENTICESHIP/2021/22
Name of Post
Total Vacancies
Apprentices
47
Trade wise Vacancies:
Instrument Mechanic - 02
Mechanic Diesel - 02
Carpenter - 02
Plumber - 01
Welder - 01
Information Communication Technology System Maintenance (ICTSM) - 02
Turner - 01
Machinist - 01
Fitter - 01
Electrician - 01
Computer Operator and programming Assistant (COPA) - 20
Stenographer & Secretarial Assistant (English) - 08
Stenographer & Secretarial Assistant (Hindi) - 02
Computer Hardware & Network Maintenance - 03
Upper Age Limit: Not Specified.
Stipend: ? 7,000/- per month
Educational Qualification: ITI Pass in relevant trade from a recognized institute.
Selection Process:
No Interview.
Candidates will be selected strictly on the merit basis
How to Apply: Application in prescribed format. Candidates are required to send scanned copies of their application along with desired documents / certificate in PDF format through e-mail with the subject indicating application for above mentioned Apprenticeship Category only to director@dl.drdo.in.
The last date for receipt of application will be 19/06/2021.

AIIMS Rishikesh Recruitment 2021 aiimsrishikesh.edu.in: All India Institute of Medical Sciences (AIIMS) Rishikesh invites online applications for Group A, Group B and Group C recruitment of Senior Medical Officer (AYUSH), Medical Officer (AYUSH), Junior Medical Record Officer (Receptionist), Social Worker, Coding Clerk in All India Institute of Medical Sciences Rishikesh on Direct Recruitment Basis.
Name of the Post
Total Vacancies
Senior Medical Officer (AYUSH)
01
Medical Officer (AYUSH)
05
Junior Medical Record Officer (Receptionist)
05
Social Worker
02
Coding Clerk
01
Maternity and Child Welfare Officer
01
Medical Record Officer
04
Medical Record Technician
38
Age Limit:
Senior Medical Officer (AYUSH): 25 - 40 years
Medical Officer (AYUSH): 21 - 35 years
Junior Medical Record Officer (Receptionist): 18 - 30 years
Social Worker: 18 - 35 years
Coding Clerk: 18 - 30 years
Maternity and Child Welfare Officer: 21 - 35 years
Medical Record Officer: 21 - 35 years
Medical Record Technician: 18 - 30 years
Pay Scales:
Senior Medical Officer (AYUSH): Level 11 ? 67700 - 208700/- + NPA
Medical Officer (AYUSH): Level 10 ? 56100 - 17750/- + NPA
Junior Medical Record Officer (Receptionist): Level 5 ? 29900 - 92300/- + NPA
Social Worker: Level 04 ? 25500 - 81100/- + NPA
Coding Clerk: Level 02 ? 19900 - 63200/- + NPA
Maternity and Child Welfare Officer: Level 07 ? 44900 - 142400/- + NPA
Medical Record Officer: Level 06 ? 35400 - 112400/- + NPA
Medical Record Technician: Level 4 ? 25500 - 81100/- + NPA
Essential Qualifications:
Senior Medical Officer (AYUSH): A Degree in any of the five streams of AYUSH. Enrollment on the central Registrar of that stream in central or state register of Indian Medicine. Minimum 05 years clinical and / or teaching experience.
Medical Officer (AYUSH): A Degree in any of the five streams of AYUSH. Enrollment on the central Registrar of that stream in central or state register of Indian Medicine. Minimum 03 years clinical and / or teaching experience.
Junior Medical Record Officer (Receptionist): B.Sc. degree in Medical Records (OR) 10+2 Science with at least 06 months Diploma certificate course in Medical Record keeping with 02 years experience.
Social Worker: 10+2 / Matric with 12th Pass. Minimum 08 years experience as Social Worker.
Coding Clerk: B.Sc. degree in Medical ecords (OR) 10+2 Science with at least 06 months Diploma certificate course in Medical Record keeping with 02 years experience.
Maternity and Child Welfare Officer: Degree or Diploma in General Nursing and Midwifery or equivalent. Minimum 01 year experience for Degree holders and 02 years for Diploma holders.
Medical Record Officer: Bachelor's Degree preferable with Science. Should have done 01 year course in Medical Record, Not less than 05 years experience.
Medical Record Technician: B.sc. (Medical Records) (OR) 10+2 (Science) with at least 06 months Diploma in Medical Record keeping + 02 years relevant experience.
Selection Process: Written Exam / Interview.
Application Fee:
3000/- for Group B Posts, Rs. 2000/- for Group C posts.
1000/- for SC / ST / OPH candidates (for all posts)
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through AIIMS Rishikesh official website (aiimsrishikesh.edu.in /resident-rect.aiimsrishikesh.in). The last date for registration of online applications is 18/06/2021 up to 23:59 Hours.

Government of Goa Recruitment 2021-2022 www.accountsgoa.gov.in: Government of Goa, Directorate of Accounts (DOA), Panaji - Goa invites applications from eligible candidates for recruitment of Accountant, Accounts Clerk, Lower Division Clerk (LDC) and Multi Tasking Staff (MTS) through Direct Recruitment Basis. The last date for registration of online applications is 31st May 2021 for Accountant and 7th June 2021 for all other posts.
Name of Post
Total Vacancies
Accountant
109
Accounts Clerk
43
Lower Division Clerk (LDC)
40
Multi Tasking Staff (MTS)
29
Age Limit:
Not exceeding 45 years as on the date of filling online application form.
Age Relaxation for SC, ST, BC as per Goa Government Rules.
Pay Scales:
Accountant: Level 6 PB-2 ? 9300 - 34800 + GP ? 4200/- (Pre-revised)
Accounts Clerk: Pay Matric Level 4 of the 7th CPC
Lower Division Clerk (LDC): Pay Matric Level 2 of the 7th CPC
Multi Tasking Staff (MTS): Pay Matric Level 1 of the 7th CPC
Educational Qualifications:
Accountant: Bachelor of Commerce (B.Com) or Bachelor of Arts (B.A.) with Economic. Knowledge of Konkani.
Accounts Clerk: Higher Secondary School Certificate (Matriculation / 12th class) Pass. 06 Months Diploma in Computer Management / Applications. Knowledge of Konkani.
Lower Division Clerk (LDC): Possessing Higher Secondary School Certificate or AICTE approved Diploma. Knowledge of Computer Applications / Operations with typing speed of 30 words per minute in English.
Multi Tasking Staff (MTS): Passed Secondary School (Matriculation) Certificate Examination (OR) Passed course conducted by ITI or equivalent qualification, in relevant trade. Knowledge of Konkani.
Selection Process: Shortlisted candidates will be called for
Written Examination
Documents Verification.
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through Accounts Goa official website (www.accountsgoa.gov.in). The last date for registration of online applications is 11/06/2021 (For Accountant Posts) / 18/06/2021 (For MTS, LDC, Accounts Clerk Posts).







